থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ইস্কোন মন্দিরদা মোংলকখিবা ৱাখল - ২

শ্রীকৃষ্ণ'না পোকখিবা, চাউরকখিবা অমদি থূপখিবা মতমদুদা হিন্দুইজম হায়না খঙনবা ধর্ম্ম মখল অসি লৈরমদ্রি, খৃষ্টিয়ানিতি অমসুং ইসলামগী ৱাদি থমখিসি। ইজরিবা ৱারেঙসি ধর্ম্মগী ওইবা মীৎয়েংদগী নাথৈরগা পাবীয়ু। বিষ্ণু নীংবা বৈষ্ণবশিংগী ৱারীদা কৃষ্ণবু বিষ্ণুগী অবতার ওইনা ইরম্বা, ব্রহ্মা-বিষ্ণু-মহেশ্বর অহুম'বু হিন্দুশিংগী লাই ওইনা লাৎনরকখিবদুদা ওইরকখিবনি 'ভগবান'- দ লোর্দ! লোর্দ কৃষ্ণ! মী মরক্তই অথোয়বা, থোইদোকপা গুন কয়ানা লৈতেংবা! অদুগুম্বা থোইদোকপা, মীরোল-মীরোল কয়াদা তাঙনা অমুক য়াওরকপা, কৃষ্ণদুগী মরমদনি পূক্লিংসিদা ফাওরকপা ওন্থোকপা ইথিল অমনা ইহল্লিবা ৱারেঙসি।

কৃষ্ণগী ৱারী শারবনিনা, ৱা অমত্তং নীংশিংসি- 'করিগীনো ঐখোয়না কৃষ্ণগী ৱারী তারগা, 'শ্রীকৃষ্ণ-লীলা' হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নরিবা'? 'লীলা' হায়বা সংস্কৃত ৱাহৈ অসিগী চপ চাবা ৱাহন, ঐখোয়গী ইরোনসিদসু, ইনাক খুল্লে হায়নরিবা 'ইংলিস'তসু থিবা ৱাগনি। প্লে, দ্রামা, নৎত্রগা কুম্মৈ... ইচম চম্বা লোনসিনা, লীলা হায়বা সংস্কৃত-ৱাহৈসিনা পীরিবা ইহুল, মতীক চানা ফোঙদোকপা ঙমদে। ঐখোয়না তম্লকপা/পারকপা লাইরিক্তগী, ইথক-থোংবা/ওজা-গুরুশিংনা তাকপীরকপদগী 'সিমদি খঙলকই- তাইবংসিদা থোক্লিবা-উরিবা থৌদোকশিংগী মতৌ তমদুনা পাঙথোক্লিবা থবক্তুবু কৌই-লীলা/নাটক/দ্রামা! অশেংবা থৌদোক নত্তবা... মতৌ তমদুনা শান্নবা। শ্রীকৃষ্ণ-লীলা-হায়নরম্লিবসিগী মরম অমা শোয়দনমক্কী লৈরমগনি।- মহাক্না তৌরম্বা থবকশিং, অঙকপা/মীনা তৌঙমদবা ঙাক্তনি, ওইথোক্তবা লীলাগুম্বনি হায়রিবরা? নৎত্রগা, মহাক্কী পুন্সিদা থেংনখিবা/মায়োক্লখিবা মতৌদু নীংশিংলগা হায়রিবরা? অমদি শোয়দনা ওইগনি। মরুওইবা থৌদোক খরা লৌখৎতুনা নৈনজরিবা, মরম অদু লৈবগীনি।

বৃন্দাবন থাদোক্লগ্লে, রাধিকাগা শেৎনরে, চীনবান্দা বাঁসি অমুক হন্না খোংলরোই'সু ৱাশক্লগ্লে রাধাদা। নিংথৌ কংশ হাত্তুনা, অপোকপা-অপোকপী অনীমক কৈশুমশঙদই থাদোক্লে, মপু ওইরে মথুরাগী। অদুবু, মথুরাবাসি পূম্বগী অৱাবদি লোইবা নাইখিদে। কংশ'কী মরুপ অমদি মকুবোক, শক্তি লৈরবা জরাসন্ধগী অশাওবদা মৈ-য়াঙশিনখি- কৃষ্ণনা কংশ হাৎলুবনা। নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী মচানুপী, অস্তি অমদি প্রাপ্তি অনীগী অৱাবা কোক্লবা শ্রীকৃষ্ণ হাৎকনি, যদু শাগৈ ওৎকনি- জরাসন্ধই ৱাশক্লি। হঞ্জিন-হঞ্জিন লেপ্তুনা তরাতরেৎলক মথুরাদা লান্দাখি। যদু শাগৈগী অকনবা লাল্লোয় কনাগী মখুত্তা 'জরাসন্ধ' কৈদৌঙৈদা মায়থীরোই... মহাক্কী হকচাং অদুবু খোঙ অনী কারক্তগী কোকতোনফাও' শেগায়রগা নাক-য়েত্তা লংথোক্ত্রিবমখৈদি মহাক শিরোই কৈদৌনুংদা- অদুগুম্বা থৌজাল অমা মথক্তা লৈ খঙবনা, কৃষ্ণনা মাবু হাৎনবা কৈদৌঙৈদা হোৎনখিদে, মশানা লাকচরগদবা অরোইবা পুংফম ঙাইদুনা লৈখি। অদুবু, মহাক্কী তৌফম থোকপা মথৌদুদি মতম চুপ্পা কাউখিদে। মশাগী চহী ১৬ শুরকপা, অঙাং ওইরিঙৈগী মরুপ সুদামাগা লোয়ননা, গুরুদেব সন্দিপানিগী আশ্রমদা চত্তুনা মহৈ তম্বা হৌখি। চহী মঙা আশ্রমদুদা লৈরিঙৈ, সন্যাস লৌখি। চহী ২১ শুরকপা, মহৌশাই পুন্সিদা অমুক হল্লক্তুনা লৈঙাক থৌদাং লৌরকখি। মতমদো, দেমোক্রেটিক ওইবা পোলিটিকল সিষ্টেম লৈত্রিঙৈনি। লৈপাক নিংথৌগী ৱাখল অমদি ৱারেপ, মহাক মশা অমসুং ইমুং-মনুংখক্তগী নত্তে। অরানবা ৱারেপ অমদা লৈপাক কাং-খোং চাইদৌরিবা, অচুম্বা ৱারেপ অমনা লাইরৈপাক ওইহন্দৌরিবনি। অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোন নিংথৌ খূদিংদা চেলহনগদবনি- কৃষ্ণনা চেৎনা থাজখি। ৱাখলসিনা মাঙওইনা', মতমদুদা পানখিবা নিংথৌশিংগী কোনুংদা মহাক মশা চত্তুনা হকথেংননা ৱারী শাখি- আশ্রম কয়া শারমখি, 'স্পিরিচ্যুঅল এদ্যুকেসন তঙায়ফদবা অমনি'- নিংথৌশিংবু ৱাখল তাহনখি। হায়নৈ- নিংথৌ লীশিং অমরোমগী কোনুংদা আশ্রম শারমখি। গীতা'দা পীরম্লিবা পাউজেলদুগুম্বা পাউজেল কয়া পীরমখি। কনাগী নাকোংদা চঙখিদে। অমগা অমগা য়েংথিনবা হেল্লকখি। তত্তনা লান্দারক্লিবা জরাসন্ধগী খুত্তগী যদু শাগৈ কন্নবা, মরৈবাক্তু থাদোক্লম', মরৈবাকচাশিং পুদুনা চেনখি সমুদ্র তোর্ব্বান্দা। দ্বারকা কৌবা অনৌবা লমদম অমা শেমগৎখি। জরাসন্ধ কিদুনা চেনখ্রবনি পাউথোকখি। লানগী লাল্লোং অমনি- খঙলকপনি কায়নথংদা।

'মপূম মরৈ ফারবা নুপা-নুপী (পাখঙ লৈশা) অনীসি কৈদৌনুংদা চান্নবা মরুপ (ইন্টিমেৎ-ফ্রেন্দ) ওইবা য়ারোই... নত্তা নকশিন্নরগা সেক্সুঅল রিলেসনশিপ ওন্থোরক্কনি'... হায়বা ৱাহায়দু 'কৃষ্ণ অমসুং দ্রৌপদি'না অরানবনি হায়বা উৎলমখি। 'দ্রৌপদি'- 'কৃষ্ণ'গী খ্বাইদগী থাজবা, খ্বাইদগী চান্নবা, খ্বাইদগী নক্লবা মরুপশিংগী মরক্তা অমনি। নোংমগী মনুংদা কৃষ্ণনা মহাক্না, করম্বা পুংফমদা কনাগা উন্নগনি হায়বগী অহকপা/হোংবা য়াদবা সিদ্যুল অমা শেমদুনা থম্মী নুংতিগী। অদুবু, কাঙলোন অসি দ্রৌপতিগী মফমদদি চৎনদে... অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং মহাক্না পাম্বা মতমদা অমসুং মফমদা দ্রৌপদিনা কৃষ্ণ উন্নবা লাকপদা কনানসু অথিংবা পীফরোই- শ্রীকৃষ্ণগী য়াথংনি। মরমসিদগী দ্রৌপদি'বু 'কৃষ্ণা' হায়নসু মিংগৌনৈ। 'কৃষ্ণ' হায়রগনা শ্রীকৃষ্ণ মশাবুনি। 'কৃষ্ণা' হায়বা আকার য়াওবা খোন্থোকসিনা দ্রৌপদিগী অতোপ্পা মমিংনি। 'কৃষ্ণা'না অৱাবা তারবা, থম্মোয় শেংনা কৌরবা, 'কৃষ্ণ'- মফমদুদা, খুদক্তুদা লাক্কনি। দ্রৌপদি-পাঞ্চাল দেসকী নিংথৌ-দ্রুপদ'না মৈ পুজা তৌরগা, অগ্নিদেবদগী নিরগা মপূম-মরৈ ফারবী লৈশাবী অমা ওইনা ফংজখিবা মমোমনি। মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈ অমসুং মপূম-মরৈ ফারক মতমগী ৱারী লৈতে। থোইদোক হেন্দোক' লম য়ৌনা চঙখোনবী, ৱাথোক চাউবী দ্রৌপদি-মহাভারত কৌবা অচৌবা ইপিক অসিগী খ্বাইদই মরুওইবা ক্যারেক্তর খরগী মরক্তা অমনি। কুরুক্ষেত্রদা শোক্লগদৌরিবা অচৌবা লানজাও অদু থোক্লবগী অচৌবা মরম অমনি- দ্রৌপদি।

অঙাং ওইরিঙৈ, সন্দিপানি গুরু'না পাউতাকখিবা ৱাফমশিংদু কৃষ্ণনা কৈদৌনুংদা কাউখিদে... 'তাইবংসিদা মহাক্না পোক্লরিবা অখন্নবা পর্পজ অমগীনি; মরায় চায়থরক্লবা খুন্নাইসিবু কন্নবনি, ধর্ম্মগী য়ুম্ফম থোল্লম্নবনি'... থাজনবা মাঙখ্রবা, নুংশিনবা লৈত্রবা মী মরক্তুদা মরা চেৎপা খুন্নায় অমগী য়ুম্ফম থোল্লম্নবা হোৎনখিবা কৃষ্ণনা কনাগীসু থৌইনশিন য়াওদনা। কনানসু মৱা লৌখিদে, অহোয়নদুম মরাল শীবীখি- মহাক্কী মীচঙ -মীখায় নাইবা থৌশিলনি। 'মহাভারত' কৌবা অচৌবা লাঞ্জাও অমগীদমক কৌরব-পান্দব অনীনা শেম শানরকপা-লান অদু থোক্তনবা, য়াশিন্নবা অমা পুরক্লবা হোৎনখি কৃষ্ণ'না, থেমখি অরোইবা মীকুপফাও। দুর্যোধন'না য়াখিদে। থোকখি, অকিবই মশক ফংলবা কুরুক্ষেত্র লাঞ্জাও। মশীং লাকঙমদ্রবা নুপা কয়া শিখি। মচা কায়নবই মৈশা লাংলবী গান্ধারি'না লাওখি- নঙনবু পাল্লম্লবা হে কৃষ্ণ! লাঞ্জাও অসি থোকহন্দবা ঙম্লম্মী... অদুবু নঙনা লেপখি, পান্দবশিংগী মীচঙদা, শীনখি কুরু শাগৈ মুৎননবা... ঙসি, কুরু শাগৈ মুৎপগুম, নঙগী যদুবংসসু মুৎলসনু মরু ফংনা'...।

শাপ অদু কৃষ্ণনা মোমোন মীনোক্না লোয়ননা হরাওনা লৌখি। মহাক চঙ ফংনা মায়থীখি। মমাঙমক্তদা যদু শাগৈ মুৎখিবা... য়েংখি লীলা য়েংবগুম। মথম্মোয়গী চৈনা, মায়থোঙদা মমি তাখিদে। অদুননি 'লোর্দ কৃষ্ণ' মিংগৌনরিবা মীয়াম্না। মোমোন মীনোক হায়বসি মী ওইবই মতৌনি, ঈশ্বর ওইবই মতৌ নত্তে।

লৌশিং পুক্কে

# ৱাখল ষ্ট্রেস লৈরকপা মতমদা

## ঐখোয়না তৌবা য়াবা থবক খরগী মতাংদা খঙমিন্নসি



ষ্ট্রেস হায়বা ৱাহৈ অসি ঐখোয়না য়াম্না তোয়না শীজিন্নবা অমদি তাদুনা লাক্লিবা অমনি। ষ্ট্রেসকী ৱাহন্থোক্তি ঐখোয়না থবক অমা তৌবা মতমদা মায়থীবা য়াবগী ফীভম লাক্লবা নৎত্রগা ঐখোয়না মেনেজ তৌবা য়াগনি খল্লম্বা হীরম খরদা মেনেজ তৌবা ঙম্লক্তবা নৎত্রগনা ঐখোয়না ওইরমগনি খল্লুরগা মদুগী ওন্ন-তৈনবদা লাকপদগী ৱাখলদা ফাওহল্লকপা নুংঙাইতবা অদুনি। নেগেটিভ ওইবা ইমোসন নৎত্রগা ৱাখলনা ঐখোয়বু য়াম্না তোয়না শাউনিংবা পোকহনবা অমদি থবক তৌবা মতমদা থৱায় য়াওরক্তনবা অচৌবা মরম অমা ওইরি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী হকচাংদা নুংঙাইতবা কয়া থোকহল্লকই। মদুগী মনুংদা কোক চিকপা, তূম্বা য়ারক্তবা অমদি চাবা তূমদবগী থৌওংশিং ফাওবা থোকহল্লি। ষ্ট্রেস হায়রিবা ৱাখলগী ওইবা থৌ মখল অসি ঐখোয়না মেনেজ তৌবা য়াই। নেগেটিভ ইমোসনশিং অসিবু ঐখোয়না মতৌ করম্না পোজিটিভ ইমোসনদা ওন্থোক্কদগে হায়বদু খঙলবদি ৱাখল ষ্ট্রেস লৈবদগী কোকহনবা ঙমগনি। ৱাখল ষ্ট্রেস হন্থহন্নবগী মতাংদা অচম্বা মরম খরা ঐখোয় খঙমিন্নসি।

১) অয়ুক য়াহৌরকপা মতমদা ঐখোয়না ঙসি নোংমগী করি তৌগদগে নৎত্রগনা চাগদগে হায়বগী ৱাখল্লোন খনবগী মথক্তা ঙরাং নৎত্রগা হৌখিবা নুমীৎশিংদা তৌখিবা থবক্কী মতাংদা খনবগী হৈনবী মীওই অয়াম্বদা লৈ। অয়ুক য়াহৌরকপা মতমদা ঐখোয়না পোজিটিভ ওইবা ৱাখল্লোন খনবগা লোয়ননা ইশানা ইশাদা থাজবা পীবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙরাং নৎত্রগনা হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা থবক খরা মায় পাকখিদ্রবসু মদু অমুক হন্না পাঙথোক্লবদি মায় পাকপা ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোন্না মাঙ থানবা হোৎনগদবনি। মসিদা ঐখোয়না মরুওইনা খনগদবা ৱাখল্লোনদি ঐ মায় পাকপদা মতিক চাবা মীওই অমনি, ঐনা নীংলিবা পান্দম অসি ইরায় লায়না ফংবা ঙমগনি, ঐগী পন্থুং য়ৌনা চৎনবগী লম্বী শেম্বা ঐগী পাঙ্গলগী মনুং চন্না লৈ, হান্নদগী ঐগী ৱাখল অমদি থবক তৌবগী মওংদা ফগৎলক্লি হায়বনচিংবা ইশানা ইশাদা থাজবা পীগদবনি।

২) অঙাং ওইরিঙৈদগী হৈনরকপা ঐখোয়গী হোবীশিংদা সিরিয়স ওইশিনবা মথৌ তাই। মরমদি ঐখোয়না ৱাখল ৱারকপা মতমদা ঐখোয়গী হোবীনা পোত্থাহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওই। ৱাখল পোত্থাবা অমদি ঙাইহাক নুংঙাইথোকপা হায়বসি নেগেটিভ ইমোসন্দগী পোজিটিভ ইমোসন্দা লাক্লবা লম্বী অমনি। মসিনা ৱাখল নুংঙাইনা থম্বা ঙম্বগা লোয়ননা ষ্ট্রেসকী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। ঐখোয়না ষ্টেস কা হেন্না লৈরকপা মতমদা ঐখোয়গী হোবীশিংবু য়াম্না হকচিন্না লৌদুনা প্রক্টিস তৌনবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়গী হোবীশিং অদুনা পেসন ওল্লক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। লাইরিক পাবনা ঐঙোন্দা নুংঙাইবা পীবা ঙম্লবদি লাইরিক পাবগী থবক অসি ঐগী পেসন ওইহন্নবা হোৎনগদবনি। মীওইবগী শক-চু মান্নদবগী মতুংইন্না অপাম্বসু মান্নদে। কনাগুম্বা অমনা ৱাখল ৱারকপা মতমদা ঈশৈ তাদুনা অৱাবশিং কাউথোক্লবা হোৎনৈ। কনাগুম্বা খরনা লীলা নৎত্রগা সিনেমা য়েংদুনা নুংঙাইতবা ৱাখলশিং অদুবু নাথৈনবা হোৎনৈ। মসি ষ্ট্রেস হন্থহন্নবা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈশিংগী মনুংদা অমনি। ঈশৈ তারগা অৱাবা কাউথোকপা ঙম্বা মীওইশিংনা মহাক্কী ৱাখল্লোনদা লৈরম্বা অৱাবা কয়া অদু ঈশৈ ওইনা শক্তোকপা ঙম্বা ফাওবা য়াওদবা নত্তে। লীলা নৎত্রগা সিনেমাদা থৱায় য়াওজবা মীওইশিংনা ৱাখল নুংঙাইরক্তবা নৎত্রগা ষ্ট্রেস লৈরকপা মতমদা সিনেমা য়েংবগী হৈনবী থম্মী। মতম অদুদা মহাক মশা সিনেমাদা য়াওরিবা কেরেক্টর অমদা লুপশিন্দুনা লৈরম্বা ষ্ট্রেসকী চাং হন্থহনবদা চাওনা মতেং ওই।

৩) ৱাখল নুংঙাইরক্তবা মতমদা ইতোমতা লৈবগী হৈনবী থাদোক্তুনা নুংশিনজবা কনাগুম্বা মীওইশিংগা মতম লেন্নবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়না থাজবা থম্বা অমদি নুংশিরিবা মীওইশিংদা ঐখোয়না থেংনরিবা অৱাবশিং অদু লীথোক্কদবনি। মতম অদুদা মখোয়গী মায়কৈদগী ঐখোয়দা পোজিটিভ ওইবা পাউতাক কয়া পীরক্কনি। হেল্থ ক্যের এক্সপার্টশিংনা য়াম্না তোয়না ফোঙদোকপা ৱাফম অমা ওইনা ষ্ট্রেস লৈরকপা মতমদা ঐখোয়না সোসল ইন্টরেক্সন তৌনবা হোৎনগদবনি। মসিনা ঐ ইশা ইতোমতা নত্তে, ঐগী অকোয়বদা মতেং পাংবীনবা মীওই কয়া লৈরি হায়বগী ৱাখল্লোন ফাওহন্দুনা নেগেটিভ ওইবা ৱাখল্লোন কয়া অদুবু মাঙহনবদা চাউনা মতেং পাংই হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# দ্রগ য়ুজরশিংবু স্কিল দিভেলপ তৌহল্লিবা অফবা খোঙথাংনি : দিঙ্গো




ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দ্রগ য়ুজরশিংবু দি এদিক্সন তৌদুনা খুন্নাই অসিদা অফবা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনবা অসিদা মখোয়গা চান্নবা স্কিল দিভেলপ তৌহনবা অসিনা মপুং ফানা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী লম্বীদগী নাথৈরগা চৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরি হায়না সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা ফোঙদোকখ্রে।

লোইতাংখুনৌ ময়াই লৈকায়দা লৈবা মেকর ফাউন্দেসন ইপা ইবুংঙো মীদ ৱে হোমদা সী এ দি এ পি, স্প্রিচ্যুএল হার্বর, ভিজন ওফ হোপ, অচুম্বা খোঙথাং, রাইট লিভিং, রাইজিং ষ্টার, অনৌবা মঙাল অমদি মেকর্স ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা একজ নোভেল দেকোরেটিভ পেন্ট কোর্সতা শরুক য়াখিবশিংদা সর্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্টর দিঙ্গোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা সোসাইটি অসিবু ফহন্নবগীদমক হীরম খূদিংদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লি। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম কয়া অসি তৌদ্রগদি মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীবগী চাংসু হন্থরক্কদৌরিবনি। দ্রগ য়ুজরশিং মতৌ করম্না রিহেবিলিটেসন পীরগা অচুম্বা অফবা লম্বী অমদা পুরক্লবা খোঙথাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। রিহেবতা লৈরিবা ইনমেটশিংনা রিহেবতা লৈরিঙৈদা থবক শুফম নোম্ফম খঙদ্রগদি হান্নগী লম্বীদা অমুক চঙশিনখিনবগী মচাক অমসু ওইগনি। মসিনা হেন্না মাঙহন্নবগী মচাক অমসু ওইরি। মতম অদুদা খুন্নাই অমদি ইমুং-মনুংনা উরিবা মীৎয়েং অসিনা দ্রগ য়ুজর মশাদা অৱাবা ওইবদা নত্তনা সোসাইটিদসু অমাঙবা কয়া ওই। মরম অদুনা স্কিল দিভেলপমেন্ট এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট হায়বা ৱাখল্লোন্দা মশা-মশাগা চান্নবা স্কিল ট্রেনিং প্রোগ্রাম কয়া পীনবা থবকশিং অসি পায়খৎলকপনি। দ্রগ য়ুজরশিং খক্তা নত্তনা লমদম অসিদা লৈরিবা নহাশিংসু মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা স্কিল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি রিহেব সেন্টরশিংদসু পাঙথোকপনি। মসিনা সোসাইটি অসিদা অচৌবা খুদম অমা ওইগনি হায়খি।

সোসল ৱেলফেয়রগী মখাদা লৈবা লৈতবা থিদনা রিহেব সেন্টরশিংদা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকহন্নিংই। রিহেব সেন্টর অসিদা শোত্থবা অমদি অৱাৎপশিং লৈরিবশিং মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তমনা হায়খি, মী অমনা অফবা থবক কয়া মমাঙদা তৌখ্রগসু অমুক্তং ফত্তবা থবক অমা তৌবদা মীয়াম্না নুংশিদবগী ৱাখল অমা লাকই। দ্রগ য়ুজরশিং করিগুম্বা দ্রগ শীজিন্নরুরগসু এদিক্সন লাক্ত্রিঙৈদা তোকহৌসি। এদিক্সন অসি মোরেল ইস্যু ওইনা খনবসি তোকসি। লোয়ননা দ্রগ চাবা মীওই খূদিংমকসু ঙাওশিন্নবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিসু থাদোকসি। দ্রগ শীজিন্নবসি হেল্থ ইস্যু অমা ওইনা খল্লগদি দ্রগ য়ুজর অদু লায়েংলগা ফহনবা ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা শাওনিংবা পেন্দবা ফনা লৈরবসু খন্থরগা অফবা লম্বীদা চঙশিন্নবা হোৎনসি। খুদম ওইনা দাইবেটিস নারুরগা ফরকপা মীওই অমনা অমুক হন্না চাবা য়াদবা চীঞ্জাক চাশিল্লুবদগী নারকপা মতমদা থিনা ঙাংলগদি মীওই অদুগী ৱাখল্লোন্দা শোন্থহল্লি। নারিঙৈ মতমদসু হরাও তয়াম্না লোয়নবীদ্রগদি অনাবদু কৈদৌনুংদা ফরোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩।১২।২০২২ ইং, ইরাই;
পোইনুগী থাশু।

মেষ: পুক্লিং ফাথনা ঈংনা চিক্না থৌ পাঙগদবা নুমিৎনি। অরিবা নত্তনা অনৌবা থৌরম পায়গনু। শাওনবা, মৈ অমদি ফিংবনা তাথিবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল খরা নুংঙাইরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃষ: নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবা, খন্ন-নৈনবগী থবক্তা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। নথক থোংবা লোয়নবদি খরা চেকশিল্লু, য়েৎপা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: লম অয়াম্বদা চাওনা মায় পাক্কনি। লৌশিং ফুদোকপা ঙমজগনি, অনীংবা থবক আশা চাওনা পাঙবা য়াগনি। অঙম্বগা মুক্লবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা য়াম্না চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: নচাক নরল চাওখৎপা, নাইতোম থৌপাঙবনা হেন্না খুমাং চাওশিনবা, অনৌবা থৌরমসু পায়বা য়াবা লৈ। মীৱা লৌরদি য়েংথিনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: মরুপ মপাংনা চাওনা তেংবাঙবীবা, অকিবা লৈরম্বা কোকচবা, লাই-গুরুনা থোইনা চানবীবা নুমিৎনি। মরম চাদনা শেল থাদবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্যা: লাঙতক্লবা, হোয়া ফবা, চরাঙনবা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবা লৈগনি। পাংঙমদবা থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাবা, মরুপ অফবা ফংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: লাইবক ফবা, ৱাখল থোকপা, নুংঙাইথোকপা ঙম্বা লৈ। অমরোমদা পঙবদগী য়েক্লবা চাওখৎপা, ইমুং মনুংদা ৱাখল তান্নদবা ৱাৎপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: ঙক কনবনা অমদি হোয়া ফবনা নরল ময়েং তানবগী মরম ওই। অরুবা থবক থৌরমদদি ইমুং মনুংদা ৱা তান্নৌ-শোয়দনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা তেংবাঙবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: হরাওবা, নীংবা থুংজবা, শেন্দোংসু য়াম্না লৈবা, য়েৎনবা খরা লৈরসু থৌনা লৈরদি মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। নাইতোম ৱারেপতি লৌখিনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংবা লুরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

মকর: লৌশিং থোকপা ৱাৎকনি অদুনা অখঙ অহৈ তান্নদনা খুৎ হেক্তা থাগনু-তুংদা মাঙবতা নংগনি। নথক থোংবা/লাই-গুরুগী ৱা তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: য়েক্লবা ঙমদুনা নীংজবা থুংগনি, শেন্দোংসু য়াম্না লৈগনি, মীনসু লাকচবা ঙম্লোই, পাউসু নুংঙাইবা তাজগনি। অনৌবা আশা লাক্লগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন: নীংহন্নদবা থৌনা ফুদোকপা, অনীংবা অফবা থবক্তা শেল অমদি পাঙ্গল থাদবা মতাং চারে। হৈনিংবা/নাইতোম ৱারেপ লৌবসু ঙম্বা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল ৱাররোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# অপাম্বা খরা

থৱান

